
থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ৱায়েল-মপুবুদি চৈরাক পীবা য়াদবরা?




ইন্দিয়া হায়বসি থবাক য়ৈবা শেঙ্গা-থুমজাগী ৱাথোক্কীদমক মমিং চৎলি। মশক মমিং নৌনা অমুক পন্দ্র’সু, মমিং লৈরবা পোলিটিসিয়ন/মিনিষ্টরশিং চাউর-চাউরবা করপসনগী ৱাথোক্তা চেন্নরম্বগী পাউ, ইন্দিয়াদা অনৌবা ওইখিদে। নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম-মিনিষ্টর ওইরকঔেদগী সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্টর/এম পি চেন্নবা শেঙ্গা থুমজাগী অনৌবা ৱাথোক্কী পাউ তারকখিদ্রে হায়বসিমদি চুম্বা তাই। অদুবু ষ্টেটশিংদা থোক্লিবা/তৌরিবা শেঙ্গা-থুমজাগী থবকশিংসিবুদি কনানসু থিংবা ঙমদ্রবা, ঙমগদবসু লৈত্রবা ওইনা ঙাঙনরি। মিনিষ্টরশিং হকথেংননা চেন্নবগী পাউ তাখিদ্রবসু, সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট এজেন্সিশিং অমদি ওফিসশিংদা প্রাক্টিস অসি লেপ্তুনা মখা চত্থবগী রিপোর্টতʼতি পাউচেশিংদা ফোঙনরকপা থেংনরি। ইন্দিয়ানা মালেমগী ওইবা চাওখৎ লমজেলদা য়াওবা ঙমদ্রিবা, মনীং হন্না চৎলিবা, থিংবা ঙমদ্রবা করপসনʼননি - পূন্নমক্না খঙনরে। ত্রান্সপরেন্সি ইন্টরনেসনলগী রিপোর্ট মতুংইন্না, ইন্দিয়াগী অপূনবা মীশিংগী চাদা হুস্ফুনিথোইনা মাগী থবক অমা তৌহন্নবগীদমক লৈঙাক্কী ওফিসলশিংদা হকথেংননা শেল পী। কুমজা ২০১৭, অতোপ্পা রিপোর্ট অমনা অমুক হায় - ইন্দিয়নশিং, চাদা য়াংখেʼনা মখোয়দা কান্নবা অমা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফংহনগনি হায়দুনা পোলিটিকল পার্টিশিংগা মরী লৈনবা থৌমীশিংদা শেল পী, কান্নবদুদি ফংদবনা অয়াম্বনি।

য়াম্না ঙকপা, থাজদবা পাউ অমনা - ইন্দিয়াদা শেঙ্গা থুমজাগী চাং খ্বাইদগী ৱাংনা তৌরিবা, চেন্নরিবা শেনফম খ্বাইদই ৱাংবসু ওইরিবদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাং/স্কিমশিং থবক ওন্থোকপদনি হায়বা অসিনি। এম জি নরেগা হায়না খঙনবা ‘মহাত্মা গান্ধী নেসনল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি এক্ট’ অমদি ‘নেসনল রুরেল হেলথ মিসন’ অনী অসি ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা করপসন তৌফম মকোলʼনি হায়বসি মীচম অমনা হায়বা নত্তে, ইন্টরনেসনল ইনভেষ্টিগেটরশিংনা থিজিল্লগা হায়রকপনি।

অতোপ্পা তাবদা থাজরোইদবা পাউ অমসুনি - ইন্দিয়ন ত্রান্সপোর্ট সিষ্টেমগী অচৌবা শরুক অমা ওইরিবা ত্রক দ্রাইভরশিংনা, লম্বীগী চিদাইদা লৈবা পুলিস চেক পোইন্ট (আউট পোষ্ট) অমদি অতৈ রিগুলেটরি - বোদিশিংদা পীরিবা ব্রাইব (নামৈ শেল) গী শেনফমসি চহীদা লুপা বিল্লিয়ন কয়া কয়ানি। ত্রক দ্রাইভরশিং, মশানা হিংনবই লম্বীদা তৌফদ্রবা থৌদাং অমা ওইনা তৌরিবদু, লৈবাকসিবু মোৎহল্লিবা, মহাকপু তোল্লবা মীশক অমা ওইহল্লিবা, করপসন হায়বা মহীক্তুগী মচিঙ্গাক হুল্লিবনি হায়বদি মহাক মশাদি খঙজদে। অসুন্না, করপসনগী প্রাক্টিস অসি তৌহনবা অমসুং য়োকখৎপদা ঐখোয় মীচম-মীয়ামসু ইশা খঙনা অমসুং খঙদনা য়াওবদুনবু থৌওং অসি মুৎপা নাইদ্রবা, মুত্থৎপা ঙমদ্রবা প্রাক্টিস অমা ওইরক্লিবনি।

মোদিনা পাৱর পায়রমদাই, কুমজা ২০১৪গী লোক সভা মীখলগী মীফম কয়াদা মোদিনা লাউখি, মীয়াম্না থাজখি - ‘স্বিজ-বেঙ্ক অমদি অতৈ মীরৈবাক্কী বেঙ্কশিংদা করপ্ত ওইবা, শেঙ্গাও পায়বা, পোলিটিসিয়ন - ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট - বিজিনেসমেনশিংগী ব্লেক-মনি ইন্দিয়াদা লোইনা পুরক্কনি। মিদিয়াʼনা কন্না শন্দোকপা ৱাফমনি - করপ্ত ওইবা ইন্দিয়নশিংগী শেল তুংশিনফমনি - স্বিটজরলেন্দগী বেঙ্কশিং, অরোন-অথুপ ঙাক্না চৎপদা থোইনা মমিং চৎলি। স্বিজ-ওথোরিটিনা য়াদবা ৱাফম অসি ঙসিদি প্রমান তৌদুনা উৎখরে। ঙসিদি, মিদিয়া হাওজশিংদগী অচুম্বা ৱাফম ফংলরোই, মতম অমগী ৱারীদুনা অমনি। ঙসিগী ইন্দিয়ন মিদিয়াদি করপ্ত ওইবা পোলিটিসিয়ন অমদি ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্টশিংগী খুবামʼনুংদা লৈ হায়বসি পূন্নমক্না খঙনরে। নৈনবই লোইবা নাইরোইদবা করপসনগী ৱারীনি - ঙসি নৌনা অমুক লীনীংলক্লিবা, সিফাইগী পেটি লৈবদা হাবী-জাবী তৌখিবই ৱারীদু নীংশিংলকপদা। অতোপ্পা লৈবাকশিংগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা ইন্দিয়াদা থোক্লিবা করপসনগী ৱাথোকশিংগী ৱারু করিনো নৈনবদা থোক্লকপা ৱাফম খরনি - চয়েৎ চনৈনরবা কা হেনবা রিগুলেসন, মথোঙ-মরম খঙদবা তেক্স অমদি লাইসেন্সিং পোলিসি, নীংতম্বা শক্তি (দিসক্রিসনেরি পাৱর) কয়ানা য়োল্লবা ওফিসর-ব্যুরোক্রেটশিংগী য়াল্লবা গভর্ণমেন্ট দিপার্টমেন্টশিং, ত্রান্সপরেন্ট ওইদবা লো অমদি লিগেল সিষ্টম ... অসিনচিংবা। অসিগুম্বা সিষ্টম মরকসিদা কন্ত্রোল-মেকানিজম য়াওদ্রবা মণিপুরগী লৈঙাক! মদুনা ওইহল্লকই - জ গোয়-ঈশৈ-শান্ন-খোৎনবদা ঙাওজবা লমদম অসি, শেঙ্গা-থুমজা-ওইদ-পাদ তৌবশিংগী লাইরৈবাক। তাখি মতম খরই মমাঙদা ... লোক্তাক্কী ফুমদি শেংবই নমাদা কনাগুম্বা খরনা য়াল্লবা শেনফম লন্নাই ফুরিৎখাওদা হাপচিল্লম্লে ... লম্বী চৎপশিংগী খুদোংচানবা ত্রাফিক সিগ্নেল-লাইট লৈবই হাক্তক্তসু হুম্লি-ফানা-চৎলোইদবা লাইটিং সিষ্টম পাল্লম্লে...সিফাইশিংনা শেৎনবা য়ুনিফোর্মগী শরুক অমা ওইরিবা, খ্বাঙবা ফানবা শউনগী পেটি লৈদৌʼদু ষষ্থি চেনা শাবা পেতি ওইনা লৈরম্লে...। ঐখোয়বু খঙহনখিদ্রবা, হুরানবগী থবক্তু হুরানবা মপুগা মান্নরগা মশাগী মরল হুরানবগী থৌদোক কয়া অমসু লৈখ্রবনি। হুরাল্লে হায়বা খঙলবা, হুরানবসু ফারবা, ফারবদুমক্তদা হুরানবা চৈরাক পীঙমদবা ৱায়েল-পথাপ, ৱায়েল মপু অমদি লৈঙাক-মপু লৈ হায়বই করি কান্নে?

চিনাগী ৱায়েল পথাপ, মতাংসিদা নীংশিংলকই। লোয়রʼনা কোর্টʼতা লো ইন্টরপ্রিট তৌই - অচুম্বনা করম্বা, অরানবনা করম্বা? ৱায়েল মপু অদুদি লোয়র অমত্তবু ওইহন্দে, মথৌ মশক খঙবা, পুকচেল শেংবা পুলিস অমবু ওইহল্লি। ৱায়েলশঙনা শকখঙখ্রবা কেস অমা থা তরুক্কী মনুংদা লোইশিনবা ঙমদ্রবা উকিল অমদি ৱায়েল মপু, শিনফম অদু মখা তানা পায়হল্লোই। মথৌ তৌদবই চৈরাকনি। সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস অমনা উকিল মশীং ৱাৎপগী, জজ মশীং ৱাৎপগী মপি তানা তেংথাখিবদু নীংশিংলকই। জষ্টিস দিলে, জষ্টিস দিনাইদ হায়বদু হায়বই ৱানি - জজ অমত্তনা খঙদবনি।

লৌশিং পুক্কে/খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# কোমলা হেঞ্জিন্না চাবনা থোকহনবা অমাঙবশিং



নিংথমথা য়ৌরে। কোমলা মুনবা মতমসু ওইরে। অসিগুম্বা মতম অসিদা হকচাংদসু য়াম্না কান্নে হায়না লৌনরিবা, চাবদসু য়াম্না হাউবা, অথুম্বা কোল্লা অসি চাবা হায়বসি মীওই অয়াম্বগী অপাম্বা শোয়দনা ওইরমগনি। অদুবু অসিগুল্লবা হকচাংদা কান্নবা, চাবদসু হাউবা উহৈ অসি হেঞ্জিন্না চারবদি হকচাংদা অমাঙবা কয়া থোকহনবা য়াই হায়বসিদি কয়া খঙনদে। হীরম অসিগী মতাংদা নৈনমিন্নসি।

কোল্লা চাবনা ঐখোয়গী থম্মোয় মশা ফনা থমই, মীৎসু ফহল্লি। অদুবু উহৈ অসি কা হেঞ্জিন্না চাশিল্লবদি থবাক্তা ইরিটেসন থোকপা অমদি দাইরিয়া তৌবা য়াই। কোল্লা য়াম্না চাবনা শরুগী মপাঙ্গলসু শোন্থহল্লি। মসিগীসু মথক্তা কোল্লা য়াম্না হেঞ্জিন্না চাবনা দাইজেষ্টিব প্রোব্লেম কয়াসু থোকহল্লি। খুদোংচাদবশিং অসি থোক্লকপগী মরম অসি কোল্লা অদু য়াম্না কা হেন্না চাশিনবা খক্কীসু নত্তে, চাবা মতমদা মওং চুমদবনসু ওইহল্লি।

ফেট য়াওদে: কোল্লা চাবদা দাইটরি ফেট অমত্তা ফংদে। দাইটরি ফেট হায়রিবা ন্যুট্রিএন্ট অসি কেলোরিগী চাং য়াম্না য়াওরগসু হকচাংদা কান্নবদি ওই। ঐখোয়গী হকচাংনা ভিটামিন মখল খরা চুপশিন্নবগীদমক দাইটরি ফেট অসি মথৌ তাই। হকচাং শাজেল তৌবা মতমদা অৱাবা খাঙবা ঙম্নবগীদমক দাইটরি ফেটনা ইনর্জি পী অমদি ব্লদ কোট্টিং অমদি ব্রেন দিভেলপমেন্টতা মতেং পাংই। মরম অদুনা দাইটরি ফেট য়াওবা নটকুম্বা চীঞ্জাকশিংগী মহুত্তা কোল্লা ওইনা চারবদি হকচাংনা মথৌ তাবা ফেট অদু ফংদবদগী খুদোংচাদবা মায়োক্লে।

ফাইবরগী চাং নেম্মী: দাইটিং তৌবা মতমদা ফাইবর চাবা অসি য়াম্না কান্নে, মরমদি ফাইবর চাবনা পূক থনবা ফাওহল্লি, মসিনা মরম ওইরগা হেঞ্জিন্না চাশিন্দবদা মতেং পাংই। অদুবু কোল্লা হায়রিবা উহৈ অসিদি ফাইবরগী চাং য়াম্না নেম্না য়াওই, কোল্লা গ্রাম ১০০ দা ফাইবর গ্রাম ২খক্তং য়াওই। ফাইবরগী শরুক চাবনা পুক থনবা ফাওহনবগী মথক্তা হকচাংগী কোলেষ্টরোল অমদি ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং চানা থম্বদা মতেং পাংই, অমদি চাং নাইনা খোঙ হাম্বা য়াহনবদসু মতেং পাংলিবনি। মরম অসিনা ফাইবরগী চাং ৱাংনা য়াওবা চীঞ্জাকশিংগী মহুৎ কোল্লানা শিল্লবদি হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবদা অমদি হকচাং ফনা থম্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লি।

প্রোটিনগী চাং নেম্মী: কোল্লা অসি প্রোটিনগী চাং নেম্না য়াওবনা মরম ওইরগা কা হেন্না চাশিল্লবদি হকচাংদা মাঙনীংঙাই ওই। কোল্লা গ্রাম ১০০ দা প্রোটিন শূপ্নগী গ্রাম অমখক্তং য়াওই। প্রোটিন অসি ঐখোয়গী হকচাংগী মসল, উনশা অমদি হকচাংগী অতৈ টিশ্যুশিংগী ইন্টিগ্রিটিগী খল কায়হন্দনা থম্নবগীদমক মথৌ তাই। হকচাংগী অরূম্বগী খল চানা থম্বদসু প্রোটিননা মতেং পাংই। হকচাং মনুংগী থবক থৌরম কয়াদা প্রোটিন অসি য়াম্না মরুওইবা মরম্না প্রোটিন য়াম্না মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাকশিংগী মহুত্তা কোল্লা ওইনা চারবদি হকশেলগী ফিভমদা অমাঙবা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লকই।

চিনিগী চাং ৱাংনা য়াওই: কোল্লা অসি চিনিগী চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওই, চিনি অসি সিম্পল কার্বোহাইড্রেট অমনি। সিম্পল কার্বোহাইড্রেটশিংনা পীবা ইনর্জিনা কমপ্লেক্স কার্বোহাইড্রেটশিংনা পীবা ইনর্জিদগী হেন্না মতম তেন্না চৎলি, চিনি অসিনা য়া শোকহনবদা মতেং পাংই। মসিগীসু মথক্তা চিনি অসি গ্লাইসেমিক ইন্দেক্সসু ৱাংই, মসিনা মরম ওইরগা ঈদা য়াওবা চিনিগী চাংদা য়াম্না চাউনা অকায়বা থোকহনবা ঙম্মী। দি জর্নেল ওফ ন্যুট্রিসন হায়রিবা জর্নেল অসিগী ২০১১, জুনগী ইস্যুদা ফোঙখিবা রিছার্স অমগী মতুংইন্না গ্লাইসেমিক ইন্দেক্স রেট ৱাংবা চীঞ্জাকশিং চাবনা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহন্নবা হোৎনবদা থীন্থহল্লি হায়রি।

এমিনো এসিদকী চাং নেম্মী: হকচাংগী সেলশিং শেমগৎপদা, রিপ্যের তৌবদা অমদি হোর্মোন অমসুং এঞ্জাইমশিং এক্টিভেট তৌবদা মথৌ তাবা এমিনো এসিদ হায়রিবা পোৎলম অসি কোল্লাদা য়াম্না নেম্না য়াওই। এমিনো এসিদনা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবা, মসল চাওখৎহনবা অমদি শান্ন-খোৎনবগী পর্ফোর্মেন্সতা মতেং পাংই। দি জর্নেল ওফ ন্যুট্রিসনগী ফেব্যুৱারী ২০০৯ ইদিসনদা ফোঙখিবা রিছার্সকী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না আজনিন হায়রিবা এমিনো এসিদ মখল অসিনা হকচাংদা লীন মসলগী মাস হেনগৎহনবগা লোয়ননা ফেটকী শরুক হন্থহল্লি হায়রি। মরম অদুনা এমিনো এসিদকী চাং ৱাংনা য়াওবা অতোপ্পা চীঞ্জাকশিংগী মহুত্তা এমিনো এসিদকী চাং নেম্না য়াওবা কোল্লা অসিনা শিল্লগদি হকচাংদা মথৌ তাবা এমিনো এসিদশিং ফংবা ঙমদদুনা হকচাংদা খুদোংচাদবশিং থোকহল্লি।

মিনরেলগী চাং নেম্মী: হকচাংদা মথৌ তাবা ভিটামিন মখল কয়া কোল্লা চাবদগী ফংলগসু মিনরেলগী চাংদি য়াম্না নেম্না য়াওই। কোল্লাদা আইরন, জিঙ্ক, কোপ্পর, মেঙ্গানিস, সেলেনিয়ম নৎত্রগনা ফোস্ফোরস অমত্তা য়াওদে হায়বা য়াই।

অদুবু মাঙজবা কয়াসি লৈরগসু কোল্লা চাবগী কান্নবা কয়ামরুম লৈ। খুদম ওইনা কোল্লাদা ভিটামিন সীগী চাং ৱাংনা য়াওই, মসিনা দি এন এদা অমাঙবা থোকহল্লিবা ফ্রী রেদিকেলশিংবু মাঙহন্দুনা কোলোন কেন্সরগী রিস্ক হন্থহনবদা মতেং পাংই। ভিটামিন সী অসি ইম্যুন সিষ্টেম মপাঙ্গল কনখৎহনবদা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌবা পোৎলম অমনি। মরম অদুনা কোল্লা মরাং কায়না চাবনা ইম্যুন সিষ্টেম কনখৎহন্দুনা লোক থুংবা অমদি ইনফেক্সন কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

মসিদা নত্তনা এন্টি ওক্সিদেন্ট য়াম্না য়াওবা মরম্না কুচু কুমেনসু ফজ হল্লি। ভিটামিন বি-১২ মরাং কায়না য়াওবা মরম্না ব্লদ প্রেসর চাং চানা থম্মী। অতোপ্পা কান্নবা কয়ামরুমসু কোল্লা চাবদগী ফংবা ঙম্মী।

## পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পেনিনা হৌজিক ফাওবা দিপোজিট লৌদ্রি : হেমো

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) : পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পেনি লিমিটেদনা হৌজিক ফাওবদা মীয়ামদগী দিপোজিট লৌবা লৈত্রি হায়না কম্পেনি অসিগী চ্যেরমেন টি ঐচ হেমোনা ফোঙদোকখ্রে।

উরিপোক তৌরাংবম লৈকায়দা লৈবা পান্থোইবী হাউজিং কম্পেনিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা টি ঐচ হেমোনা হায়খি, আর বি আই মীটিং এজেন্দা এন্দ প্রিভেলিং ফাইনান্সিয়ল সিচুয়েসন ইন প্রাইভেট সেক্তর হায়বসিদা হৌজিক ভাইরেল ওইরি। মসিদা খঙহৌদনা পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পেনি য়াওরকপদা অঙকপা ফাওই। কম্পেনি অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা দিপোজিট লৌবা লৈত্রি। কম্পেনি অসিগী সিষ্টর ওইরিবা পান্থোইবী নিধি লিমিটেদ অসিদি দিপোজিটকী খুদোংচাবা পীদুনা লাক্লি। মসিসু রিজর্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা পীরিবা গাইদলাইন অমদি নোমসকী মতুংইন্না চলাইবনি। চহী ১ দা পীবা য়াবা দিপোজিট ইন্টরেষ্ট অসি চাদা ১২.৫ নি। মিনিষ্ট্রি ওফ কোর্পোরেট এফ্যেরসনা নিধি রুল ২০১৪ গী মখাদা পীরিবা কাঙলোন মতুংইন্না পীবনি। পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পেনি চহী ১৪ শুখ্রে। গ্রুপ কম্পেনিশিংদা পীরিবা লোনগী খুদোংচাবশিংগী মরক্তা সবসিদাইজ ওইনা হোম লোন, বিজিনেস লোননচিংবা কয়াসু য়াওরি। রেসিদেন্সিয়ল গ্রুপ, হাউসিং প্রোজেক্টনচিংবসু য়াওরি। পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পেনিনা চৎন-কাঙলোনগী মখাদা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ꯍꯦꯚꯤ ... / HEAVY DISCOUNT

Christmass অমদি অনৌবা চহী লাকপগা লোয়ননা
HVS Construction Materials Pvt. Ltd না চেক্কী Discount পীজরি।

| | | |
|---|---|---|
| 1. | Mec 1st Class | 5% |
| 2. | Mec. 2nd Class | 20% |
| 3. | Mec 1st Reject | 20% |
| 4. | Mec Jamat Atingba | 20% |
| 5. | Mec Petty Class | 20% |
| 6. | Mec 3rd Class | 20% |

পীজরিবা চেক্কী Discount অসিবু খুদোংচাবা অথুবদা লৌবিয়ৌ।
Please Contact Nos. 0385 - 2436111
8415902343
Sd/- Managing Director
HVS Construction Materials Pvt. Ltd.
Patsoi Lamkhai N.C. Road Imphal, Manipur - 795113
HL-P/5475/11,12,13

## সিম্পোজিয়ম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) : নেমাটোলোজিকেল সোসাইটি ওফ ইন্দিয়া, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি ইন্দিয়ন কাউন্সীল ওফ এগ্রিকলচরেল রিছার্স ন্যু দিল্লিগা খুৎশম্নদুনা এ থ্রেট টু ফুদ সিক্যুরিটি এন্দ ফার্মর লাইভলিহুদ হায়বা থীমদা থা অসিগী ১৩ ফাওবা চত্থগদবা নেসনল সেমিনার অমা ঙসি দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট সাইন্স এম য়ুগী সিনেট হোলদা হৌদোকখ্রে।

সিম্পোজিয়ম হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর জর্নেলনা চীফ গেষ্ট, নেমাটোলোজিকেল সোসাইটি ওফ ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. পঙ্কজনা প্রসিদেন্ট ওইখি। স্কুল ওফ লাইফ সাইন্স এম য়ুগী দিন প্রোফেসর জি এ শান্তিবালা অমদি সোসাইটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. অনিলনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। সিম্পোজিয়ম অসিগী মতাংদা দিপার্টমেন্ট ওফ জিওলোজি এম য়ুগী হেদ প্রোফেসর ঐচ মোহিলালনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক্কী মতমদা কোলাবরেটিভ রিছার্স তৌদ্রগদি মায় পাক্না থিজিন-হুমজিনবগী থবক অসি তৌবা ঙমদবা মরম্না সিম্পোজিয়ম অসি প্লেটফোর্ম অমা শাগৎনবগী ৱাখল্লোন্দা পাঙথোকপনি। রাউন্দ ৱার্ম তীল মখল অসি পাম্বী অমসুং শাদা চঙবা ঙম্বদা নত্তনা মীদসু চঙবা ঙম্বা তীলনি। তীল অসিগী মরমদা সিম্পোজিয়ম পাঙথোকপনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।




TEMPLE OF LEARNING
Kha Naorem Leikai, Canchipur, Imphal, Manipur.
TEMPLE OF LEARNING
ADMISSION OPEN 2020
PRE- NURSERY TO CLASS IX
LIMITED SEATS: FIRST COME FIRST ADMISSION
Admission form available at School Office during office hour ; 10:00 a.m. To 3:00 p.m.
*CONTACT DETAILS: 9612346366 ,9436038156, 7005155523
www.templeoflearning-edu.org / email: tolcanchi@gmail.com
HL-P/5445/7/13



Kwakeithel Ningthemkol +91-7085040962 | Sekmai Koujengleima Leikai +9-6909832745
Thoubal Athokpam +91-6009402934 | Moirang Patlou Leikai +91-6009073738
HL-B/5889/12
HL-B/5749/17oct-16nov.

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১২।১২।২০১৯ ইং,শগোলশেল, অয়ুক পুং ১০.৪২ ফাওবা পোইনুগী থানিলনি,মতুং ১৬ চংলনি।

**মেষ :** থৌনা ফুদোকপা য়াদবা অমদি মরুপ-মপাংনা নরলদা মীতাবা লৈ। হোয়া ফগনু অমদি থৌনা ফুদোকপা মতাং চাদে। লৈফম, মরী-মতা অমদি মীংচৎতি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** লৌশিং চাওবা ৱাৎপনা মীগা য়েৎনবা তৌরুনু অমদি খাংবা কন্দ্রদি পূক্লিং নুংশিবা নংগনি। লল্লোন ইতিক্তদি চাউনা কান্নগনি , মীচং লৈগনি, হরাওবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মিথুন :** হৈশিংবনা অয়েৎপা লৈরম্বা কোক্লনি, অঙম অথৌনা চানগনি অমদি শেল-থুমগী লম্দা কান্নগনি। অদুবু ঈরাং পুরদি পেন্দবা অমদি কাইনবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**কর্কট :** লেংদবা লন চেকশিল্লু, মীকোক থোংদা য়াদে খনগনু-মতাং চাদে। মরুপ-মপাং লোয়নবা ইকান কান্নরোই। অদুবু ওইজবা অমদি শেল শোইদনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবদি লৈরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**সিংহ :** য়েক্লবনা য়েৎহনবা খরা লৈরসু খাংববু কল্লদি মায় পাক্কনি। অনীংবা থবক পাংগনি, ইকায়খুম্নবা ফংগনি, লন হেনগৎকনি অমদি ঙাঙ-শকপদা মীনা নুংশিবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কন্যা :** মীৱা লৌবা, হন্থবা লোয়নবা অমদি হোয়া ফবনা মাঙজবা লৈগনি। পংশিল্লি-অদুনা খন্থদনা ৱা ঙাঙথোক্কনু, মরুপ থাজবা লুগনি। অনৌবা থৌ পাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**তুলা :** ইচং থৌরগা লন মাঙবা শোইরোই অমদি মীৱা লৌরগনা নথক থোংবগা মুক্লগনি। লাই-গুরুনা চানদে- অরানবা পামগনু। মীয়াম লোয়নবদি নুংঙাইবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরীদি হেন্না ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** নীংজবা থুংগনি, অঙম্বনা চানগনি, লল্লোনবদা চাউনা শেন্দোং ফংগনি অমদি লাই নীংজবগী কান্নবা ফংগনি। খোইরাংবা অমদি ফিংবদি ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** চয়েৎ-খোইয়েৎনৈ-চনিং তানা খন্থরগা থৌ পাংউ। মরুপ খনবা হৈয়ু-নত্রবদি মখোয়না ওইনা চাশিনলক্কনি। থবক্তি পাংগনি। মীংচৎ ফংগনি, শেল-থুম কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

**মকর :** ওইজবা ফংনবা হোৎনৱা হায়বু মতম মাঙবনা হেনগনি অমদি হৈপা শারগনু চাদিং হেনগনি। অদুবু থাজদবা মরমদগীদি শেল নৎত্রগা কান্নবা য়াম্না ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**কুম্বা :** মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবনা খ্বাইদগী কান্নবা ওইগনি, হনবা লৈতনা হোৎনবসু কান্নগনি অমদি পাইরক্কী লৌশিং য়াম্না লৈবনা মীনা লাকচবা ঙমলোই।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফনা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**মিন :** শোকপা য়াবা থবক্তা চেকশিল্লু-ফিংগনু। চেকশিনদ্রদি মরুপ মপাংনা ফাওবা ইকায়বা নংহনবা য়াবা লৈ-ৱা ঙাঙবা হৈয়ু। লাইবক ফবনা শেল-থুমদি কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।